# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-31

**(Major Climate Agreements)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) মনি - ডিপুটি কঞ্জাভেটর ওফ ফোরেষ্ট (২) হেম্বোইবা - রিছার্চ স্কোলর (৩) থৌয়াম্বা - সোসিয়েল ৱার্কর

নুপীঃ- (১) রাশিতোম্বী - মতৌলৈবীগী মমা
(২) মতৌ লৈবী - রিছার্চ স্কোলর

(মতম:- সন্ধ্যাগী মতম, মফম: রাশিতোম্বীগী য়ুম, লাপ্পা সন্ধ্যা আর্তিগী কাংশি মখোল তাবা)

রাশিতোম্বী :- সন্ধ্যা মতম ওইশিনলক্লসি ফাওবা হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিনে মসিগী নুপীমচাসে, করি তৌরজাৎনোনে, ফোন তৌবসু শুংপাই পায়দেনে, অস ! ঐদি ৱাখলসে লৈতাফমগা অমতা খঙদ্রেদা, ইচানুপানি হায়দুনা তৌরিদুসু লৈকায়গী, ক্লবকী থবক তৌরিবনি হায়দুনা চাক চাবা ফাওবা শংদখৈ অয়ুক্তগী থোকখিবদু হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লক্তেনে, নিংথমথাগী মতমগা ওইরে ইংবনসু লোইরে, খঙনিদনা মোয় হন্দ হল্লকখিসনু (ইংগী মওং), ঙসিদি নুমিদাংগী চাক্তা অমতা থোংলরোই চরা হেলহনগে মখোয় খঙনিদনা, ফৈজুপ চীংখৎলগা তুমদুম তুমথোক্কে।

থৌয়াম্বা :- ইমা... ইমা... কৈদৌরগে, হকচাং নুংঙাইত্রবো, হীপ্পুনা লৈরদি।

রাশিতোম্বী :- কৈসু তৌদে, ইমা কৈসু তৌদেকো, নঙগা নচলনুপীগনা নোং ঙানবদগী পংচৎতা চৎতুনা লৈবদি য়ারগা ঐনা ঙহাক্তং হীপ্পুনা পোত্থাদুনা লৈবদি য়াদবরো।

থৌয়াম্বা :- ঐখোয় ইমাসিবু ঙসিসিবু কৈদৌরগে, সন্ধ্যাসিদা ফমুংদা হীপ্পুনা লৈরম্বদুদা চুম্নতা কৈদৌরগে হংলুবনি, ৱাকাই ঙাংলক্লিসিবো।

রাশিতোম্বী :- করিগী ৱাকাইনো, নঙ ফংঙি নোং ফুং ঙাম্বদগী ময়ামগী থবক তৌরিবনি হায়দুনা থোকখিবদগী হৌজিক্তা হঞ্জিল্লকই, নচলনুপী ফংঙি হৌজিক ফাওবা হঞ্জিল্লক্তে অদুদবু শাওনিংলোইদবগী মরম লৈবরা হায়বা।

থৌয়াম্বা :- কৈনো হায়রিসিবো, হৌজিক ফাওবা ঐখোয় ইবেম্মা হঞ্জিল্লক্ত্রিবরো, কদায়দা চৎকনি হায়রম্বগে।

রাশিতোম্বী :- খঙদে খঙদে ঙসাইদি য়ুনিভর্সিটি চৎকনি হায়দুনা চৎখিবনি, মানা হল্লকনিংবা মতমদা হল্লকসনু।

থৌয়ান্বা :- মদু হেক য়াবরনে ইমা, ঐখোয় মতৌলৈবীসে অঙাং নৎলক্ত্রবনি লৈশাবী মপুং মরৈ ফারবিনি, লাইরিক লাইশু হৈরবীনি, মানা গ্যান মেন তাদনা পংচৎতা চৎপা হায়বসে লৈকাইনসু মীনোক চংলক্কনি।

রাশিতোন্বী :- নঙসু অদু মঙাই, ইমুংগী থবক মনা অমতা য়াওবিগনি তৌবিগনি হায়বসু খঙদে, মীয়ামগী থৌ পুরিবনি হায়দুনা নচলনুপী অসিনা করি তৌরি কদায়দা চৎলি নঙদি নোংমতা য়েংশিনবরা হায়বা।

থৌয়ান্বা :- ঐখোয় ইমাগী হৌনবী বে বে গ্যান মেন অমা তাদনা ঙাংবীসি হৌরকঅদৌনি, ঐ অমুক্তা অস্বাইফাওবা চৎলগা মতৌলৈবীদু হল্লকপরা য়েংঙুগে।

রাশিতোন্বী :- থৌয়ান্বা ! গাড়ী অমা ঐখোয়দা থৌজিল্লকখিবগী মখোল তাখিবগুম তৌই, কনা লাক্কে অমুক্তা হান্না য়েংলমখো।

মতৌলৈবী :- অঙ্কল, ঐখোয়দা ঙহাক্তং চংলুখিসি, হেন্থোইবা ! লাকও চংঙুসি লাকও।

থৌয়ান্বা :- এ ! ইবেম্মা নঙদি কদায়দা চৎলুগে অসুক থেংনা হল্লকইসিবো, ইমাদি ঙসাইদগী নঙ হল্লক্তবদুদা পাখৎপনা লোয়রবনি।

রাশিতোন্বী :- হায় থৌয়ান্বা কনা লাক্কেনে নঙগা ৱারী শান্নরীদুবো।

থৌয়ান্বা :- ইমা ঐখোয় ইবেম্মা লাকএ, ইবেম্মা থীনবীরকপা মীশিংসু য়াওরিএ।

রাশিতোন্বী :- কনা কনানোনে, ইবেম্মা থীনবীরকইবো (থোরকপা ইমুংদগী)।

মতৌলৈবী :- ইমা ! হেন্থোইবগা, হেন্থোইবহোয়গী বাবা, অঙ্কল মনিগনা ঐবু থেংঙে হায়দুনা থীনবিরকইবনি।

হেন্থোইবা :- ইমা, মতৌলৈবীগা ইবানি ঐখোয় বাবাগী ফোরেষ্ট জুরিডিক্সন এরিয়াদা করি করি পান্বী মখলশিং হৌগে য়েংলুসি হায়দুনা চৎলুবনি অদুদা ঐখোয় বাবাগা হনমিন্নখ্রসি হায়দুনা পুল্লপ লাকমীন্নরবা।

মনি :- ৱারৌবীবা য়াদে, খরা থেংদোকখরে, ইচানুপীসে থেংখরে হায়দুনা ঐ য়াওনা হেক্তা থীনজরল্লবনি।

রাশিতোন্বী :- সার সোমদা চিয়ারসিদা ঙহাক্তং লেংশিনবীয়ু, ইবুংঙো হেন্থোইবা নঙসু মোরাসিদা হেক্তা ফম্মুসে, ঙসি সার য়াওনা ইচানুপী থিনবিরকপসে য়াম্না নুংঙাইজরে।

মতৌলৈবী :- অঙ্কল, ঐ চা লোনলুখিগে চা থকখিসি ইমাগা ঙহাক ৱারী শান্নবীরম্মু।

মনি :- হোয় হোয়, ঙসিদি ইচানুপীনা লোনবা চা থকখিবা তারেদনা, অদো শোমদি করি করি হোৎনবীরিগে হৌজিকপো।

রাশিতোন্বী :- সার, ঐগী হায়ববু ফিশা লোনশা খরা তৌজরি, অতৈ থোয়দোকপদি তৌজদে, ইচা অনিসিনা পীশক পীক্লিথৈদা মপাসু লৈখিদরে, ফেমিলি পেন্সন খরা ফংবদুগা ঐনা খরা হোৎনজবসিগা য়ুম পুবা ঙম্নবা পংহোৎ হোৎনজরি।

মনি :- ইচানুপানা করি করি হোৎনরিগে, লাইরিক তন্নিবরা করি তৌরিগে।

থৌয়াম্বা :- অঙ্কল ! ঐদি পোলিটিকেল সাইন্সতা মষ্টরদি লোইজরে, মখা রিছার্চ ৱার্কতি তৌথদরে, লৈকাইগী ক্লবকী থবক থৌরম খরা সুম হোৎনজরি, হৌজিক ফাওবদি গোভর্নমেন্ট জোব অমতা তৌজদরি।

রাশিতোম্বী :- খঙদরে সার, সুম ঙম্না ঙম্নবা পংহোৎ হোৎনরি হায়বা তারে, ইচানুপা থৌয়াম্বগা মচলনুপী মখোয় অনিসিগী তং তাবা মথৌ অমমতং তৌহল্লগা ঐসু অমুক্তং মেন তানা হীংবা ফংগদৌরিবরা ফংলোইদৌরিবরা খঙদ্রেদা সার।

মনি :- ইচা অনিগীদমক ঐসু করি করিনো মতেং পাংবা য়াবা খুদিংমক মতেং পাংজগে, তান্নরগা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌসি।

হেন্থোইবা :- ইমা, মতৌলৈবীগা ইবানিসু পি.আইচ.দি তৌবসি লোইরগা করি করি জোব তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নরিবনি।

মতৌলৈবী :- অঙ্কল ! চা থকসি, ইমাগীসু সিদা থল্লে, দাদা সে চা, হেন্থোইবা নঙগীনা সে।

থৌয়াম্বা :- কৈনো ঙসিসিবো নুমিৎ তাখিবদসু ঙাইরি লৈচিলনা পুন্মম মম্না থাজিল্লকল্লিসিবো, ইংবসু খঙহেন হেঞ্জিল্লকপগুম তৌরিসিবো।

রাশিতোম্বী :- হোয়নে মপালসিদি করিমতা উদরে লৈচিলনা পুন্মম মমশিনখরে, ইবেন্মা রুম হিটর অদু অমুক্তা থাগৎলকউ নোয় অঙ্কল হোয়সে ইংবনা লোইরনি।

মতৌলৈবী :- হোয় ইমা, ইমা হৌজিকসে মালেমসিদা শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপদা নৎতনা নিংথম থাগী মতম তেনশিনলক্লবসু, ইংবগী চাংদি মহৌশা লৈজরম্বা ইংবগী চাংদগী য়াম্না হেল্লবনি, ইংবগী চাং হেনগৎলকপদগী মফম কয়াদা ইংবদগী মী শিবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লিবনি।

হেন্থোইবা :- হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংমক্তা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা চাওনা অহোঙবা লৈরে, মফম খুদিংমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং ফংলে।

থৌয়াম্বা :- মালেমগী মফম কয়াদা হৌজিক গ্রিন হাউস গ্যাসকী চাং এটমোস্ফিয়ারদা চাং ৱাংনা য়াওরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইহল্লে হায়বসি মীপুম অয়াম্বনা য়ানরবা খঙনরবা ৱাফম অমা ওইরে, মসিদগী ঙাকথোক্লবা মালেমগী অপুনবা লৈবাক কয়ানা খুৎশম্নদুনা করি করি থবক পায়খৎলবগে, প্যায়খৎনবা করি করি হোৎনরিবগে হায়বদু অঙ্কলনা খরদং তাকপীয়ু ঐখোয়সু খঙজনিংঙি।

মনি :- ইবুংঙো থৌয়াম্বা, অঙ্কলনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোন্টমেন্ট দিপার্টমেন্টতা থবক তৌদুনা লৈরুবনিনা, মালেমসিগী লৈবাকশিংনা খুৎশম্নদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা থৌরাংশিং মায় পাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী দিপার্টমেন্টনসু অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। অঙ্কলনা অখঙবা খরা হায়গেকো।

রাশিতোন্বী :- হৌজিক মালেমসিগী হোংলক্রিবা অইং-অশাদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনরিবা থবক থৌরাংশিংগী মরমদা খঙবা হায়বসি ঐখোয়গীসু য়াম্না তঙাইফদবা ইথৌনি।

মনি :- ইউনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (ইউ এন এফ সি সি সি) হায়রিবা ইন্টরনেসনেল ইনভাইরোন্টমেন্টেল ট্রিটি অসি ইং ১৯৯২গী মেগী তাং ৯দা শেম শারবা মতুংদা হায়রিবা চহি অসিগী জুনগী তাং অহুমদগী তাং তরামরি ফাওবা পাংথোকখিবা আর্থ সবমিট হায়না খঙনবা রিও দি জনৈরোদা ফমখিবা মীফম অদুদা য়াওখিবা লৈবাকশিংনা সাইন তৌনখি অদুগা ইং ১৯৯৪গী মার্চকী তাং ২১দগী মপুং ফানা থবক পায়খৎপা হৌরকখি।

থৌয়াম্বা :- হায়রিবা মতম অদুদা লৈবাক কয়ামুক্না সাইন তৌনখিবগে।

মতৌলৈবী :- দাদা মতম অদুদদি লৈবাক ৫০ খক্তনা সাইন তৌবদুদা য়াওখি। ইং ২০১৫গী ডিসেম্বর ফাওবদদি ইউ.এন.এফ.সি.সি.সি. সাইন তৌবা লৈবাক মশিং ১৬৫ রোম শুরে অদুগা পার্টিনা ১৯৭ শুরে।

হেন্থোইবা :- ইং ১৯৯৫ দগীদি কনফরেন্স ওফ দি পার্টিজ (সি ও পি) হায়না কনভেন্সন অদুদা য়াওরিবা পার্টিশিংনা চহি খুদিংগী মীফম পাংথোক্কুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্নবা থৌরমশিং কুপ্না খন্না নৈনবা হৌরকখি।

মনি :- ইং ১৯৯৭ দা কিয়োটো প্রোটোকোল হায়দুনা লৈবাকশিংদগী গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাং হন্থহন্নবা ৱারেপ কয়া লৌনখি। নোংমা অমুক ফজনা ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টশিংগী মরমদা মমুৎ তানা নৈনরসি, ঙসিদি থেংলে, হেন্থোইবা ! ইপা-ইচা হন্নবা তৌরসিনে।

রাশিতোন্বী :- সার লৈচিল থাবসিসু সুম সুম হেঞ্জিল্লক্লে, গাড়ী থৌদুনা চৎপসিবু নুংঙাইগদরনে, ঙসিদি ঐখোয়দা লৈবিরো হয়েং নোং ঙাল্লগা ওইনা হনবীরো।

মনি :- কৈসু তৌরোইদা য়ানিদা, গাড়ীসে তপ্না তপ্না য়েং য়েংদুনা থৌরগা লোইরে, লাকও ইবুংঙো চৎলসি, অদুদি অমুক ঐখোয় চৎখ্রগেকো রাশিতোন্বী।

হেন্থোইবা :- অদুদি ইমা ঐখোয় অমুক য়ৌজরগে, বাবা গাড়ীসে ঐ ওইনা থৌরগে (গাড়ী থৌখিবা)।

রাশিতোন্বী :- তপ্না তপ্না থৌকো ইবুংঙো (লাওহৌবা)।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, মফম: রাশিতোন্বীগী য়ুম, হুইনা লাপ্পা তাম্না খোংবগী মখোল)

রাশিতোন্বী :- ইবেন্মা ঙসিগী লৈচিল খুথাসি মওং অমনি, ইংবনসু ইমাদি নীকপনা লোইরে, নঙগী চাক্তুবু লোইদ্রিব্রনে, সার মনিগা, হেন্থোইবগদুবু ময়ুম য়ৌরল্লদ্রনে।

মতৌলৈবী :- য়ৌরম্বসু য়ারেদা, লৈচিলসি কুংনা থাজিল্লকপসিগা লন্বীদা মোয় য়াম্না ৰারমগদবা মাল্লি গাড়ী থৌবদু, ঐ ঙহাক লৈরগা ফোন তৌরগা হংগে, অদো ইমা চাক্তি লোইরে চাক চাথোক্লসিরা।

রাশিতোন্বী :- হোয় হোয় চাথোক্লবা তৌরসি অদো নবুংদুবু তুমখ্রবজাৎলনে, মৰা মখোলগা অমতা তাদে অমুক্তা য়েংলুচো মাগী কাদা।

মতৌলৈবী :- হোয় ইমা, ঐখোয় দাদাগী হৌনবা চাক ঙহাক্তং ঙাইবগসে ঙল্লোইদবনি ফমুংদা চংলগা তুম লৈরম্মনিনে (ঙাং ঙাংদুনা চৎপা)। এ ! হায়বগা তৌবগা নাখোক্তুনগা তুম লৈরল্লেনেসে, দাদা... দাদা... হৌগৎলো হায়বনে চাক চারসি হায়বা... সে হৌগৎলো (কৌবা)।

থৌয়াম্বা :- হুম ! কৈনো পংকৌদা কৌরিদুবো মীনা অসুক নুংঙাইনা তুম্লিঙৈসিদা, ইংবসিদা ফৈজুপ লুমনা শুপচিল্লগা তুম্বসিদি মীকপকা থোকপা জাৎ নৎতে। ঐ চাক্পা অমতা চাররোই হৌগৎপা তল্লে।

মতৌলৈবী :- ইমা... ইমা ঐখোয় দাদাসে চাক চাবা হৌগৎপা তল্লে চাররোই হায়য়ে।

রাশিতোন্বী :- হায় কৈনোনে, নীংথমথাগী অহিংগা ওইরে চাক চাদনা তুম্লবদি নঙবু হোরেল ইংবনা লোইরনিনে নশাদো, লাকও লাকও হাওবা হাওতবা ফোং ফোং শারিঙৈসিদা চাকসে খরা চাথোকমিন্নরগা তুম্নবা তৌরসি লাকওনে নোয়বো।

মতৌলৈবী :- লাকওকো, প্রপ প্রপ লাকচৌ ইমা লাকঅগা ফমুংদগী চীংথোকচরনি।

থৌয়াম্বা :- লাকতা লাকচরগেসে, এঙ্গাংবু করি থোংগে।

মতৌলৈবী :- করিবু থোংলুনি, মতমগী এঙ্গাং হঙ্গাম হায়সিঙাইদনা, য়োংচাক শীংজু অমগা।

রাশিতোন্বী :- সে সে লাকও লাকও চারসিসে ইমাসু হীপ্পিংবনা লোয়রবনি, চাক চখোম অমতং চারগা তুম্লগে হায়দুনা তৌবনি।

থৌয়াম্বা :- (চাক চাবা) ঙসি নোংমা নিনিসিদা ইংবগী চাংসে খঙহেন হেঞ্জিল্লকইসিবো, ঐখোয় লমসিসু ইংলগনা খঙইং ইংবা, শারগনা খংশা শাবগী মওং অমা তৌখৎলকইএ।

মতৌলৈবী :- ঙসি নোংমা নিনিসি খঙইং ইংলগা অমুক খঙশা শাগৎলক্লদবনি, হৌজিক্তি গ্লোবেল ৱার্মিং ওইরকপদগী নিংথমথাগী মতমনা তেল্লগা কালেনগী মতমনা শাংলবনি, নোংজুথাগী মতমদা নোং চুগদবদুনা চুররোই, চুরোইদবদা মতমনা অমুক খংচু চুরনি, ঈশিং চাওরনি, মীওই কয়াগী ময়ুম মকৈ ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈফম লৈহল্লরোই, মহৈ-মরোং পুম্নমক মাংহল্লনি, অদুদগী অমুক নোং খংতা তাখ্ররোই ইকং থোল্লনি, মহৈ-মরোং অমতা হৌবা ঙল্লরোই, থল্লা চানবা ঈশিং ফংলরোই, সিনিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ঐখোয়দা পীরক্লিবা চৈথেংশিংসে।

রাশিতোম্বী :- পুম্নকসে ঐখোয় মীওইবনা উ-ৱা পংয়ান্দা য়াম্থোকপা, মীশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপ, হৱাগাড়ী শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপা, ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী ওইরক্লিবনি হায়বদাই।

থৌয়াম্বা :- উম মানি, হয়েংদি ক্লবতা মিটিং অমা তৌদবা য়াদরে।

মতৌলৈবী : করিগী মতাংদা তৌদোইনো মিটিংদুবো?

থৌয়াম্বা :- মীয়ামদা করি মরমদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরক্লিবনো, মসিদগী ঐখোয়না করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবশিং অদু মমুৎ তানা খঙনবা অমদি খঙহন্নবা অখঙ-অহৈশিং কয়া কৌরগা মীয়ামদা তাকপী-তম্বীহন্নবা ৱার্কশোপ অমা পাংথোক্লবা খন্নগদৌরিবনি অদুগা ঐখোয়গী লৈকায়সিগী হাংদুনা লৈরিবা মফমশিংদা উ-ৱা থাবগী প্রোগ্রাম অমসু পায়খৎকে খল্লি।

রাশিতোম্বী :- নঙনা লৈকায়গী, মীয়ামগী, লৈবাক্কী থবক ময়াম তৌনবা হোৎনরিঙৈদা নশাগীদি করিমতা খল্লুরগনু, নঙবু হয়েং করি তৌরগা হীংহৌগদৌরিবনো খনবদা ইমাদি শিবা ফাওবা ঙল্লোইদৌরিবনি।

মতৌলৈবী :- ঐখোয় দাদানা হোৎনরিবশিং পুম্নমক অসে য়াম্না ফবা ঙাক্তনি, লৈবাক মীয়াম হুপ্না গ্যান তামিন্নদুনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মালেম অসিবু তুংগী মীরোলশিংগীদমক মহৌশাগী ফীভম, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কায়দনা থম্বা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসে য়াম্নমক ফবা খোংথাংনি অদুবু...।

থৌয়াম্বা :- অদুবু কৈদৌরবা, মখা তারকউ তুমিন লৈখ্রদি কৈদৌরবা।

মতৌলৈবী :- কৈসু তৌদেদা দাদা, দাদাসু এম এ পোলিটিকেল সাইন্সতা ফার্ষ্ট ক্লাস ফার্ষ্ট ফংলিবা মীওই অমনি, অদুনা মখা রিছার্চ তৌথদুনা পি আইচ দি লোইথোকহননিংঙি। দাদানা লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইরক্তুনা মালেমসি কনবদা থৌদাং কয়া লৌহন্নিংঙি।

রাশিতোম্বী :- হোয়নে নচলনা হায়গুম্নদনা নঙসু পি আইচ দি ডিগ্রি ফংদোক্লবদি নঙনা নীংলিবা থবকশিং অদু পাংথোকপদা অমুক্কা হেন্না মায় পাক্লা পাংথোকপা ঙমগদৌরিবনি। ইমা হয়েংমক ঐগী ইমান্নবী থোইবীগী নুপা পোলিটিকেল সাইন্সকী প্রোফেসার ওইরিবা ইমোচাদা হোক্তা হায়নরুগে নঙগী রিছার্চ গাইদ ওইবিনবা।

| | | |
|---|---|---|
| থৌয়াম্বা | :- | হো নোয় নমা নচানা থোকপা তৌরুরো, ঐদি তুম্বা চংঙে ফম্মুংদা, নোয় নোয় থোকপা খন্নহৌরো, ঐ তুম্মেকো হন্দকমুক্তি হৌদোকরকঅনুকো। |
| রাশিতোম্বী | :- | হায় কৈনোনে মসিবো চাকপু নবুক থল্লবো হায়বা, মাগী অফবা ৰা হায়বীরগা ফেৎ হায়দোক্কুনা চৎখ্রিসিবো। |
| মতৌলৈবী | :- | ঐখোয় দাদাসিদি থওইনা হায়রসু মানা থোকপা অমা হেক্তা তৌই, ৰা অমতা ফজনা মেন তানা ঙাংনবা য়াদে। |
| রাশিতোম্বী | :- | (ফোন রিং লাকপা) হায় কদোমদনোনে ফোন অমা খিংঙকইসিবো, নঙগী ফোন নত্রনে, অমুক্তা পায়য়ুনে কনানো য়েংঙুনে। |
| মতৌলৈবী | :- | এ ! সিদি হেন্থোইবনিনে, ঐনা ফোন তৌগে খল্লিঙৈদা মানবু হান্না তৌরকএ। |
| রাশিতোম্বী | :- | ঐসু তুম্বা চংঙেকো, নঙ ফোনদা ৰারী শান্নহৌরো ইমাদি তুম্মেকো। |
| মতৌলৈবী | :- | হল্লো... হেন্থোইবা নোয়বু য়ুম য়ৌবা কয়াম কুইরগে? |
| হেন্থোইবা | :- | য়ৌবদা ঙাইরি, হেক য়ৌবগা নঙ পাখৎলল্লনি হায়দুনা ফোন তৌরকইনে, লৈচিল মরক্তুদা ঐখোয় বাবা ইবানি কয়া ৰানা গাড়ীদু তপ্না তপ্না য়ুম য়ৌনবা থৌবদুদি কয়াম ৰাই, বাবাদি হেক য়ৌরকপগা ফী হোংদোক্লগা ফমুংদা অদুম চঙখরে। |
| মতৌলৈবী | :- | চাক্কা অমতা চাদনা অদুম তুমখ্রবা, কৈনোমতং ওইরসু পীজরগা তুমহনবা য়াদবরা হায়বা নঙবো। |
| হেন্থোইবা | :- | হো ইবেম্মা নোয় ইকুবোকসে ঙাংনবা য়াম্না ৰাই, ঐখোয়না হায়বগা তাবিজাৎ নৎতে, হয়েং নঙ লাকঅকান্দা ওইনা পীজনিংবা পুন্নমক পীজররো লাকও (নোকপা)। |
| মতৌলৈবী | :- | হুম অসিবু ৰানি হায়দনা, ফোনগসে থল্লগে ৰা মখা তাদৌ তল্লে। |
| হেন্থোইবা | :- | হে ঙাইখো, ফোন থমখিবা য়ারোইকো, ৰা অরুবা অমা হায়গদবা লৈ। |
| মতৌলৈবী | :- | করি ৰানো প্রপ প্রপ হায়রকও, ইংগা ইংবসিদা তুম্নিংবনসু লোইরবনি। |
| হেন্থোইবা | :- | জপানগী কিয়োটোদা পাংথোক্কদবা ইন্টরনেসনেল সেমিনার অমদা পেপর পারুনবা ইবানি সেলেক্ট তৌরে হায়দুনা সার মালেমঙানবনা হৌজিক্তা ঐগী ইমেলদা থারকই। |
| মতৌলৈবী | :- | অওইবরো য়াম নুংঙাইরে পাও তাবদা, চৎপনা করম কান্দা চৎতোইনো। |
| হেন্থোইবা | :- | হয়েং উন্নরগা মেন তানা ফজনা ৰারী শান্নরসি, থেংঙে তুম্মো, গুড নাইট। |
| মতৌলৈবী | :- | ঐখোয় ইমানা চৎকে অমুক য়ারক্তদুনা তোক্লরনি, ফরে হয়েং খন্নরসি, গুড নাইট। |

-ম্যুজিক-

(মফম: মনিগী য়ুম, মতম: অয়ুক, অয়ুক্কী পাও রেডিওদা লাকপগী খোঞ্জেল)

মনি :- হেন্থোইবা... ইবুংঙো নঙবু কৈদৌরিগেনে লাকওদনা ইপানা চা লোনবা লোইরে চা থকঅসিদনা।

হেন্থোইবা :- ঐ ঙসিদি ঙন্তানা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মতাংদা মালেমগী থাক্তা তৌনখিবা এগ্রিমেন্টশিংগী মরমদা পাদুনা লৈথোক্লুরে, চা লোনবগা লোয়না কাওথোক্লুরে, বাবানা ওইনা লোনলবোরে।

মনি :- সে, সে থকওসে, ব্রেদকা বত্তরগসু লৈরে ইপা ইচাদনি ইমুংসিদা লৈরিবা, নুপী য়াওদনা পানবা য়ুম্বাননি অদুনা নঙনা চাদু লোনদ্রবদি ইপানা লোনবা তাবা, ঙসিগী চাক্লা ইপা-ইচাবু কমদৌসি হায়বা, নঙনা থোংগদরা ঐনা থোংগদরা।

হেন্থোইবা :- বাবাসু বাবাগী ওফিসকী থবক অচীনবা ময়াম লৈ, ঐগীসু ঐগী রিছার্চ ৱার্কসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা ঙহাক্তং ফাওবা শংদে, ঐখোয়গী য়ুমগী থবক ইনখাং মতেং পাংবীনবা হেলপর অমা থমদ্রবদি য়াররোইদা।

মনি :- নমানা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসিদা ইপা-ইচাগী অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ওইরবনি, নমানা ইমুংসে চেক-মুক লাওদনা অৱাৎ-অপা অমতা লৈতনা পানজরম্বনি, নমাগী অৱাৎপসে ঐখোয়গী ইতেং পাংবীনবা মীওই কয়া অমা থল্লবসু মেনখৎপা ঙল্লরোইদবনি।

হেন্থোইবা :- ইমানা ইমুংসিগীদমক, ঐখোয়গীদমক হোৎনবিরম্বা পুন্নমকশিং অদুদি শীংথাদুনা লোইবা নাইররোই, ইমাগী মহুৎ কনানসু শিনবা ঙল্লরোই, অদো বাবা ঐনা হায়বদি চাক ঈশিং ফীজু ফীজাম তৌবিনবা মীওই অমতংদি থমসি।

মনি :- হোয় হোয় মওং য়েংসি, ঐখোয়গা মত তিন্নবা, মপুকচেল শেংবা, মরম মোকপা মীওই পাক হেক থিবা ফংগদবা নৎতে। মসিগী ৱাসি তোক্লসি, নঙগা মতৌলৈবীগা জপানগী কিয়োটোদা সেমিনার অমদা পেপর পারুনবা নখোয়বু পেপর সবমিত তৌখি হায়বদুবু কমদৌখ্রগে।

হেন্থোইবা :- এ ! ঐদি বাবাদা তম্বা কাওরুরে, মতৌলৈবী ইবানিগী পেপরদু পাননবা সেলেক্ট তৌরক্লে, মথং হাপ্তাদদি ইবানি চৎতবা য়াররোই।

মনি :- মতৌলৈবীদদি পাও হায়বীখ্রবরা, নবানি পুল্লপ খল্লকপসে য়াম্না ফরে।

হেন্থোইবা :- ঙরাং খুদক্তা অদুম পাও হায়খরে, মোয় মমানা চৎকে য়ারক্ত্রদি কমাই তৌনি হায়দুনা মাদি পাখৎলিবনি।

মনি :- করিগী য়াদনি হায়গে অফবা থবক তৌববু, ঐ হায়নগে য়াননবা, ঐখোয় কোন্থোংলোমদা গাড়ী অমা থৌজিল্লকইসিবো কনা কনানোনে (গাড়ী থৌজিল্লকপা)।

হেন্থোই :- এ ! বাবা, মতৌলৈবীগা মোয়গী ইমাগা মবুংগনি, মোয় পুল্লপ হৌনরগা লাকইসিবু কৈদৌবা য়াওরজাৎনো (গাড়ী খান্নবগী মওং)।

রাশিতোন্বী :- সার ! ইমা-ইচা ঐখোয় পুল্লপ হৌনরগা ঐসু সারগী য়ুম খংবা ওইনা হেক্তা লাকচরবনি।

থৌয়ান্বা :- অঙ্কল, ঐসু ইমাগা ইচলগগী ড্রাইভর ওইনা য়াওজরকই, অঙ্কলনা নহাল ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টশিংগী মরমদা খরদি তাকপীরল্লে ঙসি মখা অমুক অঙ্কলদগী খংজনিংদুনা ঐসু তান চারে খন্দুনা ড্রাইভর ওইবসি য়াজরকইবনি।

হেন্থোইবা :- ময়াম পুল্লপ নুংশা য়াইবা ওইনা শুমাংসিদা হেক্তা ফল্লসি, চিয়ারসি স্বাইদা হেক্তা থারগে।

রাশিতোন্বী :- মসিনদুম ফরে নুংশা য়াইবা ওইনা, ইমাহোয়গীদুদি নুংশা মঙাল ফংবদি লায়রদনা নুংশিৎ ফাওবা স্বর হোন্নবা খরা লৈরদি ফংলরোই।

মনি :- ঐখোয়গীদি ইপা-ইচাদনি, লমসু মরাং কাই, য়ুমসু লৈবিনবা লৈতদুনা ইহাং হাংনা লৈ, ঐখোয়দা ওইনা পুল্লপ হেক্তা লৈমীন্নরসিদনা ।

রাশিতোন্বী :- হোয়নে মদুনবু ফরদরা সার, ইমা-ইচা ঐখোয় পোৎ য়োল্লগা হেক্তা লাক্লগে (ময়াম নোকপা)।

মতৌলৈবী :- ঐখোয় ইমাসিমা (তপ্লপ হায়বা ), আ অঙ্কল, অঙ্কলনা চানবা এপল খরগা লফোইগা পুরকই, সিদা হেক্তা থমজরগে।

থৌয়ান্বা :- অতৈ লাইরি অঙ্কল, নহালগী ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টশিংদুগী মরমদা মখা তানা অমুক্তা তাকপীয়ু।

মনি :- কিয়োটো প্রোটোকোল হায়রিবা ইউ এন এফ সি সি সি গী এগ্রিমেন্ট অসি জপানগী কিয়োটো হায়রিবা সিটিদুদা ফমখিবা সি ও পি থ্রি (কোপ থ্রী) হায়রিবা কনফরেন্স ওফ দি পার্টিজ হায়বসিগী অহুমশুবা মীফমদা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুবুনিকো।

হেন্থোইবা :- কিয়োটো প্রোটোকোল অসি ইং ১৯৯৭ কী ডিসেম্বরগী তাং ১১দা লাওথোকখি অদুগা থবক ওইনা চৎনবা হৌখিবদি ইং ২০০5 কী ফেব্রুৱারি তাং ১৬তগী হৌখি। কিয়োটো প্রোটোকোলগী পান্দমদি গ্রিন হাউস গ্যাসশিং মরুওইনা কার্বোনডাইওক্সাইদ ($CO_2$), মিথেন ($CH_4$), নাইট্রুস ওক্সাইদ ($N_2O$), হায়ড্রো ফ্লুরো কার্বোনস ($HFC_S$), পরফ্লুরোকার্বোন ($PFC_S$) অমদি সলফর হেক্সাফ্লুরাইদ ($SF_6$) কী চাং এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবা হন্থহনবা হায়বসিনি।

মতৌলৈবী :- হায়রিবা কিয়োটো প্রোটোকোল অসি তাঙ্কক অনিথোক্না হায়বদি ইং ২০০৮ দগী ইং ২০১২ ফাওবদা গ্রিন হাউস গ্যাস মালেমগী লৈবাকশিংদগী থাদোরকপগী চাং ইং ১৯৯০দা গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাং অদুদগী চাদা ৫ হন্থনহবা হায়না য়ানখি অদুগা অমুক অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইং ২০১৩ দগীনা ইং ২০২০ ফাওবদা গ্রিন হাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাং হন্থনবা হায়না য়ানবা পুরকখি।

রাশিতোন্বী :- হায়রিবা প্রোটোকোল অসিদা লৈবাক কয়ামুক্নদি শরুক য়ারবগে।

মনি :- ইং ১৯৯৭ তগীনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ১৯২না কিয়োটো প্রোটোকোল অসিদা সাইন তৌদুনা প্রোটোকোল অসিনা থল্লিবা পান্দমশিং ফংনবা হোৎনরি।

থৌয়ান্বা :- অঙ্কল, হায়রিবা কিয়োটো প্রোটোকোল অসিগী কান্নবশিং অসিবু করি করিনো?

মনি :- কিয়োটো প্রোটোকোল অসি মালেমগী অহানবা মেজর ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্টনি, হায়রিবা প্রোটোকোল অসিগী পান্দমদি ঐখোয় মীওইবনা এটমোস্ফিয়ারদা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং থাদোরকপগী চাং হন্থহন্দুনা গ্লোবেল ৱার্মিংদগী ঙাকথোকপা হায়বসিনি, মীপুম খুদিংমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা থোকহলকপা অমাংবশিং অসি খঙহনদুনা গ্লোবেল ৱার্মিংদগী কন্নবা থৌদাং কয়া লৈবাক খুদিংমক্না পায়খৎপা হৌনরকখি।

হেন্থোইবা :- মসিদসু নৎতনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্নবা এগ্রিমেন্ত কয়া অমসু লৈরি, হায়রিবা এগ্রিমেন্তশিং অসিগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা এগ্রিমেন্ত অমা হায়বা তারবদি পেরিস ক্লাইমেৎ এগ্রিমেন্ত অসিসু অমনি।

রাশিতোন্বী :- ইহে ঐদি ৱারী তৌরিঙৈদা হৌদোক্কে খনবা ৱাফম অমদি ইকাও হেক কাওরুরেদনা।

মনি :- করি ৱাফমনোনে রাশিতোন্বী নঙনা হৌদোকনিংলিবা ৱাফমসিবো।

রাশিতোন্বী :- ঐখোয় ইবেন্মনা হেন্থোইবগনা জপানদা সেমিনার অমা য়াওবা চৎকনি হায়রিসিবো করম তৌসিগে খন্নজনিংদুনা তৌজবনি সার।

মনি :- মালেমগী থাক্তা পাংথোকপা সেমিনার য়াওরুবা হায়বসি য়াম্না ফবা অদুগা লেমজনিংঙাইসু ওইবা থবকনি চৎহনগদবনি, য়াওহনগদবনি মমান মমান্নবা থেংনদুনা মালেমগী ওইবা খন্না-নৈনবশিং মায় পাক্না শরুক য়ারুবা হায়বসি মমা-মপা ওইবা ঐখোয়গীসু লেমজনিংঙাইনি।

থৌয়ান্বা :- নোয় অনিনা সেমিনার য়াওবা চৎকনি হায়রিবা অদুবু জপানগী করম্বা মফমদনোনে।

মতৌলৈবী :- দাদা, জপানগী কিয়োটো হায়রিবা মফম অদুমক্তদনি।

| | | |
|---|---|---|
| থৌয়ান্বা | :- | এ ! অদুদি য়াম্না নুংঙাইগদবা মাল্লি ঐদুম চৎপু চৎনিংঙি। |
| হেন্থোইবা | :- | কিয়োটো প্রোটোকোলগী মীফম ফমখিবা কনফরেন্স হোল অদুমক্তদনি সেমিনার তৌগদৌরিবা অসিসু। |
| মতৌলৈবী | :- | হান্নদি মফম অদু কিয়োটোগী কনফরেন্স হোল হায়রগা খঙনরম্বনি, হৌজিক্তি কিয়োটো ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স সেন্তর হায়রগা মীপুম খুদিংনা খঙনরে। |
| রাশিতোম্বী | :- | ঐসু ইচাশিংগী মতুং ইন্দুনা সেমিনার য়াওবা চৎপু চৎলুরসিরা খঙদে। |
| মনি | :- | হোয়নে রাশিতোম্বী ইবানিসু ইচাশিংগী মতুং ইন্দুনা চৎতুম চৎহৌরসিরা। |
| থৌয়ান্বা | :- | ময়াম পুল্লপ হৌনদুনা লম কোইবা ওইনা চৎপু চৎপিখরো, ঐ ইতোমতা মফমসিদা নুংঙাইনা ইনিংতমনা লৈজহৌরগে। |
| হেন্থোইবা | :- | চৎপু চৎলদি ঐখোয় পুল্লপ হেক্তা হৌনদুনা লম কোইবা ওইনা চৎলদৌবনি, দাদা লৈহৌবদি কদায়দগী য়ানেগে। |
| থৌয়ান্বা | :- | ঐদি ইরৈকায়গী ইরমদমগী তৌগদবা থবক য়াম্না লৈ, মীয়াম পুম্নমক গ্যান তাহন্দুনা ইরমদম অসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনদবা য়াদে, নোয় অদুম মারেমগী থাক্তা খন্না নৈনবদু য়াওজরুচো, ঐদি স্বাইদসুম অদুম হোৎনজহৌরগে, মফমসিদা ঐনা তৌগদবা ইথৌ য়াম্না লৈ। |
| রাশিতোম্বী | :- | ইচাদি মীয়ামগী, লৈকায়গী, লৈবাক্কী থৌয়াম পুবনি হায়দুনা ইমানা থৌয়ান্বা হায়না মীং থোল্লিবনি, নুংশিনা কৌজরিবনি ইমাগী থৌয়ান্বা হায়দুনা। |
| মনি | :- | হোয়নে ফনবু চানৈনে মীংসে (ময়াম পুন্না নোকপা)। |

-ম্যুজিক-